# মথায় থায়নদগী হৌনা অফবা লন্বী থোং পামদবা কনাবু লৈরিগবা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*তয়ম লৈচোল হাওরাব-ও, নবুংঙো নিংথৌ শাপাইবনা তম্ফা ঐগীদমক শাবা উনা থোংখোঙ ওইবা মৌবী ৱানা ফোপ হাদুনা নাকন অনীমক্তা পান্বে হাপ্পা থোং অদু মতিক চাদে। য়োৎনা থোংখোঙ ওইরগা লুপানা ফম্বাক ওইবা অঙাংবা সনানা পান্বে ওইবা থোং অদুনা তম্ফা ঐগীদমক্তি মতিক চাবনি।*

পান্থোইবীনা থাজ য়োঞ্জবা মতম য়ৌরক্লবদা নিংথৌ শাপাইবগীদমক মনাই লৈচোল হাওরাবনা হায়জবা লাকপা মতমদা মাগীদমক করি থোং শারবগে হায়না পান্থোইবীনা হংখি। মৌবী ৱা অমদি উগী থোং শারে হায়রকপদা হায়রিবা থোং অদু মতিক চাদে হায়দুনা নিংথৌ শাপাইবগী অনীংবা অপান্বদু থুংহনখিদে। কাইনথংদা য়োৎনা থোংখোঙ লুপানা থোংপাক সনানা পান্বে ওইবা থোং শাবা ঙম্বা কংলৈ নিংথৌ খাবা শোকচ্রোংবগী মচা তরম খোইনুচাগা লুহোংখি। মসি থাজ ৱারীনি হায়রকপসু য়াই। অদুবু লৌখৎপা য়াবা য়াম্না মরু ওইবা মতাং অমনি। মীওইবগী চাওখৎ খোঙজেলদা অফবা লন্বী থোং শেমগৎপগী মথৌ তাবদু উৎপনি হায়দবা ঙম্লোই। ৱাখল লৌশিং চঙখোনবী মাইবী মকোক ওইবী পান্থোইবীনা অরং অরাক অথুম অহাউ মখল মথেলশিং অমদি মংকৎ পামখিদে। চখোক চৎশিন্দা খুদোং চাহনবা লৈবাক মীয়ামদা কান্নবা পীবা লন্বী থোং শেমগৎপদুনা মরুনি খনখিবগী খুদমনি হায়বা য়াই। পান্থোইবীবু লাইরেন্বীগী থাক্তা পুখৎখিবদু মঙোন্দা য়াওরিবা তোপ তোপ্পা মতিক ময়াইশিংনা ওইফম থোকই। হায়রিবশিং অদুগী মনুংদা লৈবাক অমা খুন অমা শেমগৎ শাগৎপগী মতাংদা অশানবা মীৎয়েং থম্বা ঙম্বসিমকসু শীংথাবা য়াবা অমনি। পাৎ, তুরেল মরাং কায়বা ঈশিংগী শরুক্না হেন্না লৈরম্বা মণিপুর তম্পাকনি। তুং কোইনা চৎনগদবা অফবা থোং শাবগী তঙাইফদবদু খঙখিবজাৎনি। অমরোমদা ইপা ইপুশিংগী অশানবা মীৎয়েং অৱাংবা ৱাখল্লোন অমদি চাওখৎ থৌরাংবু পামজবগী মমিনি হায়না লৌবসু য়াই।

ঙসি চাওখৎলে হায়রিবা সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিগী থাক অসিমক নৎত্রবসু থায়না মমাঙঙৈদা লৈরম্বা অহল লমনশিংগী লোনচত্তা অৱাংবা ফিদম্লফম ওইবা ৱাখল্লোন্না মপূং ওইরগা চম্না হিংবা পুন্সি মহিংবু পামজরম্মী হায়বসি ৱারী লাইরিক কয়ানা লেঙদবা খুদম ওইদুনা লৈরি। ইরমদম অসিগী খূৎহৈবশিংনা শেমজ-শাজবা খূৎশু খূৎলায়গী মতেংগা লোয়ননা অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্নুনা লন্বী থোং শেমখিবগী ৱারী কয়া লৈ। মতম মতমগী পাল্লম্বা লৈঙাক্নসু থবক অসিদা পূক্নিং চঙনা হোৎনখি হায়বগী খুদম মাঙদনা লৈরি। কংলৈ নিংথৌ তাওথিংমাং অমদি ময়াম্বুং য়োইমোংবা অনীনা তুরেল মরিন তেংবগী থবক চথুবগী হাক্তক্তা চেংলৈগী অফবা লমদা থোং শাখিবগী ৱাফম পল্লি। মতম অমদা নুংথিল নুংশা য়াম্না শাবা অহল লমনশিংনা পোথানরিঙৈ মতমদা মচা মশুশিংবু চৎথোক্তনবা চুরাম্থাবা হায়বা মিং অসি তোয়না শীজিন্নরগা কিহল্লম্মী। চুরাম্থাবনা অঙাং ফারগা থোং শাবদা হিংনা হাপ্পী হায়বসিমদি অয়াম্বনা থাজনৈ। থোং শাবদা মী ঈরাৎপগী খুদমনি। থোং অদু কুইনা শাংনা তেক্তা কায়দনা লৈনবনি হায়। থোং অফবা লৈবদা হরাউদবা কনাসু লৈরম্লোই। অদুই ৱাদি ইম্ফাল ময়োন্দগী হাইদোকখিবদা অফবা থোং হায়বদু নীংথিনা লৈরম্বা নত্তে। মতম অমদা ঐখোয়না কোলেজ কারিঙৈদা সেকমাইজিনগী থোং শারকপদা সাইকল থৌরগা য়েংবা চৎনরল্লিবনি। মতুং তারকপদদি সেরৌগী থোংগী মনিলনা অমুক নমহৎখ্রে।

লন্বীসু অদুমঙাই, অফবা লন্বীদা চৎনীংবা হায়বসি মহৌশানি। কুমজা ১৫৩৬ তনি মৈদিংঙু কবোম্বনা পানবা মতমদা মণিপুরগা অসামগা ফাওনবা লন্বী শেমখিবদু। খল্লুবদা নুংশিকো, হৌজিক মতমগী জে সী বি, ত্রেক্টর, দোজরনচিংবা ৱাং-চাউরবা, কন-থৌরবা খূৎলায়শিং অমত্তসু লৈরম্বা নত্তে। য়োৎপাক, শীংজঙনচিংবা খূৎশু খূৎলায় খরগী মতেং লৌরগা শদৌ থোংবমখৈ হুমাং তানা হোৎনরমগদবদু ৱাখলনা পাদম লাকশিল্লুবদা কপনীংবা পোকই। মতুং তারকপদা বৃটিশ লৈঙাক লাক্লবদা মণিপুরগী লন্বী থোং খরগী মখৈদি ফগৎলকখ্রে। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংদদি থোইনা হেন্না ফগৎলকখ্রবনি। খ্বাইদগী ঙক্লিবদি ন্যু কছার রোদ ইম্ফাল জিরি লন্বী হায়রগা খঙনবা লন্বী অসি কুম লায়না নাবগী ফীভমদা লৈরি হায়বা য়াই। ওল কছার রোদ তোংজৈ মরীল হায়নরম্বদু শেমগৎ শাগৎপগী থবক চথুরি হায়। জর জর য়াঙশিলহন্নীংবনি য়াঙশিন্দে। ইন্দো বর্ম্মা রোদসু অদুমঙায়, ইম্ফালদগী মোরে য়ৌবা ফাওবদি কন্না হোৎনরি। মসিনদি ওইবা য়ারোই খল্লি। থোইনা হেন্না নুংনাংলিবদি লন্বী থোং ফত্তবনা মরম ওইদুনা অরাপ্পা চীংগী খুঙ্গংশিংদা মরাং কায়না ফংবা হৈগ্রু, চমপ্রা, কিহোম্নচিংবা কৈথেল য়ৌবা ঙমদনা পত্তুনা মাঙলিবসিনি। তম্পাক্লমদসু অদু মঙায় নোং তারগা লৈখোমদা লৈওনবা, নুংশা শারগনা উফুলনা মীৎ-মায় পাংফম খঙদবা লন্বীনা মশীং থিঙমদবমখৈ লৈরি। মদুদদি মীয়ামসু শাউনরক্লেদো। ময়াম থোরক্লগা লন্বীদা ফৌ থাবা, থম্বাল থাবা মীয়াম থোরক্তুনা লন্বী থিংবনচিংবা কুম্মৈ মরাং কায়রক্লিবসিনি। ইলেক্সন নকশিল্লকপা মতমদা শেমদ শেমলদৌবোই নীংবা, লোইখ্রকান্দা তূমিন্না লৈখিবসু য়াওদবা নত্তে। পূম্নমক্কীনি হায়রুবসু য়ারোই। খরা অমদি ইলেক্সন মতুংদা গৃ গৃ তকখত্তুনা শূৎ নান্না শেম্বসু য়াওরে। অদুবু মণিপুর পূম্বগী ওইনা য়েংলুবা মতমদা অয়াম্বা মফমদা মরু ওইনা মনুং হঞ্জিনবা খুঙ্গংশিংদা ওইরিবা লন্বী থোংগী ফীভম অসি য়াম্না পূক্নিং নুংশিনীংঙাই ওইরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। কা হেন্না মনুং হঞ্জিনখিবসু নত্তে, ৱাবগাই লমখাইদগী শুগুনু তাবা লন্বীসিনা মরোন অমা গাড়ী তোংলগা চৎপদা চাকখাওগসে মথক মখা ওনখ্রদবোই নীংবজাৎনি। লমদমসিগী ওইনদি অসিগুম্বা লন্বীদি মশীং থিঙমদ্রে হায়বা য়াই। ওল্লকপা মতমগী খোঙজেলদা থোরক্লিবা মখোঙ য়াঙবী গাড়ীনা মরোল অমা মরাং কায়বনে এক্সিদেন্ট থোকপু থোকমন্দে। লন্বী ফত্তে, শীজিন্নরোইসি হায়বসু য়ারোই, হায়ফমসু থোক্তে। মনীং হনবা খোঙচৎ কনানসু পামদে। ঐখোয়গী ককচীং এ সীগীসু অদু মঙাই অফবা লন্বী থিবদা খরা ৱারপ থোক্লে। লায়না লায়ওং হেঞ্জিনবা খরসু অদুম ময়াওরে। বুদ্ধিরাজ রোদতগী হৌরগা সেংগ্রোং ফাওবগী লন্বীসিদি ইচিনসিনা পন্নীংদ্রে। বুদ্ধিরাজ রোদকী খূনীংমুক শাংবা মতেক খজিক্তংদি খরা ফগৎপা য়াবগী মমি তল্লক্লে। মতম অমদা লন্বীদা ৱাই লফুনচিংবা থারগা চৎপগী ৱারী অহল লমনশিংনা লীবিরম্মী। মতম অদুগী ফীভমদুদা হঞ্জিল্লক্লদরা হায়না পাখৎলবনি। কোমকুৎ ময়ামসি উবদা লাইমনসু কাঙলে। পূম্নমকসিবু কনাগী মরালনি হায়সিগে? লন্বী খূৎশেম মওং তাদ্রবসু তূমিন্না য়েংদুনা লৈখিবা মীয়ামগী মরাল ওইহনসিরা নৎত্রগা চহী ওন্দনা মওং মরীল তারক্তবা কোমজাউ কোমজাউ লৈজনীংবা লন্বী মানা লম হেনবগীনি হায়সিরা? ওইনীংবা অমা ওইজসনু মসিমদি হায়দবা ঙম্লোই, নেসনল হায়ৱে খক ফরগা মণিপুর পূম্বা নুংঙাইরে হায়বদি ঙমজরোই। ●

আর কে মাইপাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেলোসিপকী মখাদা ইজবা

# ‘মণিপুরগী হুইয়েল লাল্লোং থাঙ-তা অসি চাওখৎনবা হোৎনবদা লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা পাল্লি’

— বিজয় লাইশ্রম —

মণিপুরগী হুইয়েল লাল্লোং থাঙ-তা অসি হেন্না চাওখৎনবা হোৎনবদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হৌজিক পীরিবা শেন্থং অসিদগী খরা হেনগৎনা চাওখৎনা পীবা মথৌ তারি। নৎত্রগদি লম্ অসিদা থবক তৌজরিবা মীওইশিং শেল য়াওদ্রগদি থবক তৌবা অমদি হিংবা য়াদবনা হৌজিক পীরিবা অতোপ্পা দিপার্টমেন্টশিংদা থাদনরিবা অসিগুম আর্ট এন্দ কলচরগী দিপার্টমেন্ট অসিদসু শেল অসি খরা হেন্না চাওনা থাদহন্নীংবগী অপান্বা হুইয়েল লাল্লোং থাঙ-তাগী লম্দা মহৈরোয়চা কয়া তাকপী-তন্বীবদা নত্তনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা শো উৎলুবদা নত্তনা কুমজা ২০১৫দা দেল্লীদা ‘ভারত এক্সিলেন্স এৱার্দ’ এন্দ ‘নোর্থ ইষ্টর্ন গোল্ডন পর্সনেলিটিজ এৱার্দ’ কী গোল্ড মেদল ফংখ্রবা থাঙ-তাগী ওজা থোকচোম জয়কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা অখন্ননা উন্নবদা ওজা থোকচোম জয়কুমারনা হায়, মহাক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বামোন কম্পু মমাঙ লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা থোকচোম ইবোহল অমদি থোকচোম ওংবী ইবেতোন লৈমা অনীগী মচানুপা অহুম, মচানুপী অমা পূন্না মচা মরিগী মনুংদা মহাক্না অনীশুবা মচানি। মহাক্কী অপোকপা অসি সঙ্কীত্তনগী পুঙ যৈবনি অদুগা অপোকপীনা যূমগী নুপী অমা ওইনা থবক তৌবনি। জয়কুমার ক্লাস ৱান্দগী টেন ফাওবা ইরিলবুং হায় স্কুলদা তম্লকখি। মতুংদা কোংবদা লৈবা ষ্টেন্দর্দ কোলেজদা গ্রেজুএট লোইশিনখি। মহাক মখা তানা এল এল বি অহানবা চহী ফাওবা তম্লম্লগা মখা তানা তমখিদে। মহাক যূমগী অহল লমনশিংগী মতেং পাংবগা লোয়ননা হুইয়েল লাল্লোং থাঙ-তাগী ওজা ওইদুনা অঙাংশিংবু তাকপী তন্বীবা ওইনা থবক চথুখি।

মহাক কুমজা ১৯৮৫দা রুপ রাগ ম্যুজিক স্কুলদা সেকেন্দ য়র ফাওবসু লোইশিনখি। অদুগা গভর্ণমেন্ট ম্যুজিক কোলেজ ইম্ফালদনা ভোকেল ক্লাসিকেল ম্যুজিক্তা থর্দ য়র লোইরে। মদুগী মতুং কুমজা ১৯৮৮দা কৈরাও বিত্র অৱাং লৈকায়দা লৈবা হুয়েল লাল্লোং মণিপুর থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসনগী লুচিং পুরেল ওজা পদ্মশ্রী গুরুময়ূম গৌরকেশ্বর শর্ম্মগী মখাদা তম্বা য়াবা থাঙ-তাগী লম্দা মহৈ পূম্বা তমখি। মসিদা নত্তনা শীংজমৈ চীংঙামথক্তা লৈবা ওজা গুরুময়ূম সনা শর্ম্ম অমদি কৈশামথোং লাইশোম লৈরক্তা লৈবা ওজা সিনাম দেবোব্রত্তগী মখাদা থাঙ-তাগী লম্দা তম্বা য়াবা মহৈশিং তম্লকখি। ওজাশিংনা অমদি অহলশিংনা তাকপীরকপা মতুংইন্না মহৈরোয়শিংনা অরুবা মহৈ মশীন তল্লিঙৈ মতমদা য়ারিবমখৈ ফি ফৌনবা পোলাংখোক মখা অমদি মরী চৎপা




পান্বীগী মখাদা লিৎপা ফত্তে হায়না তাকপীরকখি। মহাক্না কুমজা ১৯৮৭তগী হৌনা য়ুথশিংগা মরী লৈনবা স্কিল দিভেলপমেন্ট, শান্নবা অমদি কলচরগা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়াসু শরুক য়াদুনা লাক্লি। মরু ওইনা য়ুথশিংগী কনফরেন্স, ফোক আর্ট ফেষ্টিবেল কম কলচরেল প্রোগ্রাম, ব্লোক লেভেল নেসনল য়ুথ ৱিক, য়ুথ লিদরশিপ ত্রেনিং কোর্স, ষ্টেট লেভেল ৱার্কশোপ ওন মণিপুর থাঙ-তা, চেরি/টুরিজম ফেষ্টিবেল, মঙাশুবা নেসনল গেমস (থাঙ-তা গেমস দেমো), ৱার্কশোপ ওফ ঐচ আই ভি/এইদস, ষ্টেট লেভেল থাঙ-তা ফেষ্টিবেল কম ৱার্কশোপ, ফোক দান্স ফেষ্টিবেল, এফ্রো এসিয়ন গেমস ২০০৩, ৯শুবা নেসনল য়ুথ ফেষ্টিবেল ২০০৪, লোক সংস্কৃট উটসব ২০০২, হালদিয়া উটসব, বানিপুর লোক উটসব, ১০শুবা নেসনল য়ুথ ফেষ্টিবেল ২০০৫, বাল সঙ্গম, শৈফৈ মহোটসব, ত্রেদিসনেল দান্স এন্দ ফোক ম্যুজিক ফেষ্টিবেল, নেসনল কলচরেল ফেষ্টিবেল ২০০৮, মল্টি মীদিয়া ৱার্কশোপ কম ত্রেনিং কেম্প, স্প্রিং ফেষ্টিবেল, হব্বা ফেষ্টিবেল ২০০৯, মণিপুর টুরিজম ফেষ্টিবেল ২০০৯, সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১০, নেসনল মাষ্টর এঠলিট চেম্পিয়নশিপ ২০১১, মণিপুর কলচরেল ফেষ্টিবেল ২০১১, ওল ইন্দিয়া ভিসারল সেরিজ ২০১১ অমদি দসেরা জন্মো সভারি উটসব ২০১২নচিংবদা শরুক য়াখি।

মহাক্না কুমজা ১৯৮৮দা ‘‘গুদ ৱিল ফাওন্দেসন ফোর কলচর’ অসি রেজিষ্টর তৌরগা কুমজা ২০১৩-১৪দগী মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মখাদা তোঙান তোঙানবা লমদম অসিগী নাট কলচরগা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়াসু মতম মতমগী ওইনা লেপ্তুনা পাঙথোক্লি। মহাক্কী মখাদা থাঙ-তাগী লম্দা নিংথিনা হৈরবা মহৈরোয় ৫০ রোম পুথোকখ্রে। হৌজিক মহৈরোয় ৩০ রোম মহাক্না ময়ূমদা নুংতিগী তাকপী তন্বীরি।

থাঙ-তাগী মহৈ অসি অঙাং অমনা মশাগী চহী ৭/৮ শুরকপা মতমদা তম্বা য়ারে। থাঙ-তা অসিগী মহৈ অসি তম্বা মতমদা অহানবদা সার্টিফিকেট কোর্সতা চহী অনী, অনীশুবদা চহী অহুমগী কোর্সতা দিপ্লোমা লোয়ননা অহুমশুবদা চহী অনীগী কোর্সতনা দিগ্রী ওইনা লৈরি। হৌজিক্তি থাঙ-তাগী মশান্না অসি লৈবাক অসিগী ‘খেল্লো ইন্দিয়া’ মশান্নদা য়ারে। লোয়ননা মণিপুরগী থাঙ-তা অসি হৌজিক মহৈরোয়শিংগী স্কুল-কোলেজ তল্লিবা সিলেবসতসু য়াওরবনিনা হৌগৎলক্লিবা লমদমসিগী নহাশিংনা নোংম-নোংমগী তমনীংবগী অপাম্বসু য়াম্না হেনগৎলক্লি হায়খি।

মণিপুরগী মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা থাঙ-তা অমদি সরিৎ-সরাৎ অসিনা মমাঙঙৈগী মতমদা য়েক্লবনা লান তারকপা মতমদা মসিনা ঙাকথোকপগা লোয়ননা থাঙ-তাগী মতেংনা ঈংনা চিক্না লৈবাক ঙাক্তুনা পাল্লম্লিবনি। ঐখোয়গী থাঙ-তাগী কলচর অসি ঙাক্তুনা থমহৌদ্রবদি কলচর অসি তপ্না তপ্না মাঙখিবা য়াই। লমদম অসিগী থাঙ-তাগী মশান্না অসি নিংথিনা ঙাক্তুনা থম্বগা লোয়ননা ঐখোয়গী কলচর অসি হেন্না চাওখৎনবা হোৎনবা য়াম্না মরু ওই। মহৈরোয়শিংগী মমা মপাশিংনসু লৈকায় লৈকায়দা হৌজিক মচাশিংবু থাঙ-তা তমহন্নীংবগী অপাম্বা লৈনরে। থাঙ-তা তৌবগী শিনফম অসি পায়বীবা মীওইশিংনা ইমুং মনুং পুবা ঙন্বীবরা হংবদা টি ঐচ জয়কুমারনা হায়, হায়রিবা শিনফম অসি পায়বা মীওইশিংনা কা হেন্না মরেক মহাউ থোকপা নুংঙাই য়াইফবা হেনগৎত্রগসু খরমখৈদি মসিনা মেনশিনবা ঙম্লে। অদুবু লৈঙাক্না কলচরগা মরী লৈনবা থাঙ-তা অসি হেন্না চাওথোক্না চাওখৎনবগীদমক অখন্নবা মীৎয়েং খরদি চঙবীবা মথৌ তারি। মণিপুর অসি স্পোর্টস অমদি কলচরনা মশক তাকপনীবুদি হায়বা অদুবু দিপার্টমেন্ট অসিদা থাদরিবা শেনফমদি য়াম্না পীক্না থাদবা অসিনা কলচর তৌজরিবা মীওইশিংদা নীংবা কায়বা অমদি ওইরি। মণিপুরগী থাঙ-তা অসি ফজনা হৈরবা নুপা অমদি নুপীশিংনা মশাগী সেফ গার্দনচিংবদা কান্নবদা নত্তনা মণিপুর পুলিসকী এম আর, আই আর বি অমদি হোম গার্দনচিংবা লৌবা মতমদা থাঙ-তাগী সর্টিফিকেট পায়বা মীওইশিং অসি হেন্না খুদোংচাবা অমদি পীফম থোকই হায়রি। ●

# ইভিক্সন ইভিক্সন–মীৎলুগী পীরাংনা হায়রিয়ে, কনা লৈজদবা লায়রবা ঐখোয়সু থম্মোয় পল্লী !

- জয়েন্ত সরাংথেম -

তাইবংপান অসি অমগা–অমগা মান্নদে । কনা অমনা নুংঙাই–য়াইফনা লৈ। কনা অমনা নোংমগী চরা তান্নবা হোৎনবদা হরাও মীনোক ফাওবা মশক খঙদনা য়াম্না ৱানা শুনোমদুনা হিংই। লায়রবদা লাই চঙই হায়বদুনি । লৈত–লায়রবগী মথক্তা পুবা থাংবা ঙম্মোইদবা অচৌ–অচৌবা লায়না কয়াসু লায়রবগী ইমুংদা নাহন্দুনা অৱাবগী মথক্তা অৱাবা নংহন্দুনা লু কোকপদা লেন তাই হায়বদুমক করিগুম্বা মতমদা হেক–হেক থোকহন্দবা নত্তে। তাইবং শেম্বা মপুনা মালেমসিদা লীলা শান্নরুরো হায়না থারক্লবা মীওইবা ঐখোয়নি, কনাদবু ৱাকৎলুনি । মী অমগা মী অমগগী মরক্তা অনেম অৱাং খায়বিদুনা মতম খরগী মালেমসিদা হিংলুরো হায়না থাবীরক্লবা বীধি মানা তন্বীবা মাগী–মাগী লাইবকনি। কনাসু ৱানা লৈবা পামদে। মীওইবা ঐখোয় লোইনা নুংঙাই–য়াইফনা লৈবা পামদবা কনাবু লৈবগে ? ফজবা য়ুম ইংখোল লৈবা পামই। ফজবা ফি শেৎপা, ফজবা গাড়ী থৌবা পামই । অদুবু ঙসিগী মালেম অসিদদি অঙম্বা মী অচৌবা মী শেল পায়বা মীনা হায়রবদি লাল্লবসু চুম্মী লৌনৈ। শেলনা মখোয়গী মশক ফজহল্লী শঙ্গা য়ামহল্লী। তৌগেতা ঙম্মী। মীনুংশি লৈবা মবুকচেল শেংবদি লায়রবনা খরা হেনবজাৎনি । মরমদি লায়রবা মখোয়দা থেংনখিবা অৱাবা কয়াদুনা মখোয়গী থম্মোয়সু য়াম্না পেৎলি। লায়রবগী মীচং লৈতে । লায়রবা মীয়ামগী খোল্লাওদি ঈশ্বর মাগী খোল্লাওনি হায়নরিবনি। অদুবু ঙসিগী মালেম অসিদদি লায়রবনা ঙাঙবা ৱাদি কনানসু থওইনা তাবীদে। য়াংনা লৌনৈ। ফিদা থাবীদে। তাইবংবু শেন্বীবা মপু মাগী নাক্তগী ঐখোয় লোয়না লাকপা অদুগা মতমগী খোঙলোই মতুং ইন্না মপু মাগী নাক্তা অমুক হনগদৌরিবা ঐখোয় মীওইবনা অসুক খেৎনবা থন্বীরমদুনা করিগীনো খরা অমনা নোক্তুনা খরা অমনা কপতুনা হীংলিবা ?

লমদি পাকথোরক্তে। অদুবু মীশিংদি নোংম–নোংমগী ঈশিং ইচাওগুম হেনগৎলক্লি। হীংদবদি য়াদবনিনা মতমগী মতুংইন্না লৈবাক অমগী লৈরিবা লম মচেৎ খরা অদু লৌবুকপু ওইরবসু চীংয়াবু ওইরসু লৈফম লৈরক্ত্রবদি য়ুম শাবা তাবনি। লম লৈজদবা জপানদি হীংদ্রবরো ? মসি হায় হায়দুনা রিজার্ভ ফোরেষ্টঅমদি প্রোটেক্টেদ এরিয়া কয়াবু তুংগী মীরোলগীদমক কল্লরোইসি হায়বদি নত্তে। য়াম্না চুম্মী মী খরগী য়েংলগা তুংদা য়াল্লবা মীয়ামবু অৱাফমদা তাহনবদি লানগনি হায়বা। মণিপুর লৈঙাক্না ‘মণিপুর কঞ্জার্ভেসন ওফ পেদ্দি লেন্দ এন্দ ৱেট লেন্দ এক্ট ২০১৪ অমদি মণিপুর পব্লিক প্রেমিস (ইভিক্সন ওফ অনওথোরাইজ্দ ওক্যুপেন্স) এক্ট ১৯৭৮গী মখাদা হৌজিক দ্রাইভ অমনা কন্না চথুরক্লি। লৈঙাক্কী রিজার্ব ফোরেষ্ট, প্রোটেক্টেদ এরিয়া, তুরেল মপান অমদি লৌবুক্তা য়ুম শাদুনা লৈবা য়াদে, পুখ্রি তৌদুনা ঙা য়োকপা য়াদে নৎত্রগা বিজিনেস তৌবা য়াদে হায়বসু ঐখোয় লোইনা য়াই। তৌবতদি য়াদে হায়রিবা মফম অদুদগী য়ুম লৌথোক্লবা য়ুমবুদা মতম ফজনা পীবীবা, আইনগী ওইবা নোটিস ইস্যু তৌবীবা লোয়ননা রিহেবিলিটেসন তৌবীদুনা ময়ুম লৈজদ্রবশিংবু লৈঙাক্না মতেং তৌহন্নিংবগী অপাম্বা খরা থমজবনি। মখোয় শা ঙা মক্তি নত্তে। মখোয়বু হুরানবা মীনম্বা নমথাক তৌবা নৎত্রগা ভিক্তিম তাহন্নিংদে। মরমদি শাংলবা মতম অসি লমগী খাজনা থিদুনা লাক্লি। লৈঙাক্লসু খাজনা লৌদুনা লাক্লিঅমদি লমগী পাট্টাশিং অদুগী অয়াবা অদুসু লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌবা মীওইশিংনা পীদুনা খুন্দা লৈতখিবনি। অদুনা লাল্লিবসি মখোয় খক্তা নত্তে। লৈত–লায়রবা মখোয়সু মীওইবনি। জে সি বি (বুল দোজর) অমদি পুলিস শীজিন্নদুনা ঙম্মে মতাগুম নোংমদা লোইনা য়ুম মখৈ থুগায়বীরে। থুগায়রবা মতুংদা য়ুম লৈত্রবা মখোয় কদাইদা লৈরমগনি ? করি চারমগনি ? নোং চুরাবা মতমদা লৌ ইংখোল লৈজদবশিংদি পীক্লিবা মচাশিংদুনা লোয়ননা কনাগীদা চংজদুনা লৈরমগনি হায়বদি কনানসু থিরুদে। অরানবা তৌবদি মাগী মাগী ধর্ম্মনি অদুবু মীওইবা অমা ওইরবদি মীওইগী থম্মোয় পালহন্নিংই। মখোয়গীসু মচা মশু লৈ। ময়াম্না স্কুল চৎতুনা লাইরিক তম্বা উরগা মমা মপানা করি ফাওরমগনি ? ঐখোয়দি আইনগী ওইবা করিসু খঙদে। খঙলবসু শক্তি লৈতে। মীচং লৈতে। নখোয়দি অঙম্বনি। তৌবা ঙম্বনি। নখোয়না আইন শেম্মী। আইনসু নখোয়না থুগাই । ঐখোয়সু করিগুম্বা আইনগী থোংদা লাল্লম্বা য়াই। হংনিংলিবা ৱাহংদি লৈঙাক্কী অঙম অথৌ নখোয়সু ১০০দা ১০০ আইননা য়াবা অচুম্বা থবক তৌদুনা মীখলদা মায় পাক্লকখিবরা ? লান্দবা ঙমদবা মীওই ঐখোয়নি। পূম্নমক অমম অঙানবু শেন্নরিবা মপু মানা লোয়না উরমগনি । মীওইবনা অচুম অরান ৱায়েনবা ঙমদ্রবসু নোংমদি ঈশ্বর মানা ৱায়েনগনি খন্দুনা অহিংদা মচাশিং কোন্দুনা থম্মোয়দা খাঙমদবা অমগা লোয়ননা ৱারৌজনা কপচবা নত্তনা কনাদবু করি হায়রুনি। ঙসি নোংমগী চানববু থিগদ্রা, লৈননববু থিগদ্রা করি নোংম হায়বদো য়ৌরে থুগায়বীদুনা করিসু লৈত্রবা লায়রবা ঐগী ইফমদদি। মসি মশা–মশাদতা থোংলবা মতমদতা অৱাবগী চৈনা খঙগনি। লমগী পাট্টাবু কৈথেলদা য়োনবরা ? চহী ৩০ হেন্না লৈঙাক্তা লমগী টেক্স থীদুনা লাক্লি। শাংলবা মতম অদুদদি আইননা য়াবরা ? হৌজিক্না করিগী য়াদ্রিবা ? পাট্টা তাবা মতমদা অস্মীন য়াওরি। দিষ্ট্রিক্ট কম্মিস্নর য়াওরি । ফোরেষ্টঅমদি রেভন্যু দিপার্টমেন্ট য়াওখিবা ঙাক্লি। মতম অদুদা লৈঙাক্কী মবুকচেল শেংদবা ইমপ্লোইশিংনা শেল চারগা অয়াবা পীদুনা পাট্টা করিগী পীখ্রিবনো ? মতমদুদা য়াদে হায়দুনা মীয়াম ঐখোয়বু ৱাখল তাহল্লন্নম্লবদি হৌজিক থোক্লিবা মীৎলুদগী পিরাং শিনথরিবা কয়া অসি থোক্লমদবসু য়াই। হৌজিক্তি মীয়াম মমাংদসু ইকাইবা নংহন্দুনা মতু শোনবা মীয়াম্না ভিক্তিম ওইহৌরে। অদুগা লৈঙাক শেম্বদা য়াওবা মিনিষ্টরশিংনা মাগী মাগী কেন্দ্রদা লৈরিবা আইননা য়াদ্রবা এনক্রোচরশিংগী মথক্তা করি করম্বা থবক পায়খৎলকপগে হায়বদুদি য়েংখিবা তারি।

চীং পাৎ তুরেল কনগদবনি হায়বসি য়াম্না চুম্মী। অদুবু আইননা য়াদে হায়দুনা মী কয়াগী য়ুমশিং নোংমদা লোইনা থুগাইবীরে। ফরে লৈঙাক্না থুগাইবদুসু য়ারগে। অদুবু থুগাইরবা মতুংদা হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মতম খরগী ওইনা লৈননবা লৈফম চাফম (রিহেব্লিটেসন অমদি অলটর্নেটিভ এরেঞ্জমেন্ট) লৈঙাক্না শেন্বীরল্লবদি য়াম্না নুংঙাইজরমগদবনি। ঐখোয়বু উচেক ৱায়াগুম্না কোইপাই পাইদুনা লৈখ্রো হায়বরো ? মীনুংশি লৈতনা ময়াম চংদুনা থুগাইবীখ্রবা লৈবাক্না শাবা শেগাইবা য়ূম ওইজরবসু লায়রবা ঐগী ইফমদদি সগগী কোনুংগুম্বনি। লৈঙাক্কী য়ৈখাই থিংগাইবদি মতম চংদে। অদুবু শেমগৎ–শগৎপদদি মতম য়াম্না চংই। অমরোমদনা লৈঙাক্কী পোলিসিনি মীয়ামগী য়াইফনবনি হায়দুনা লৈত–লায়রবশিংগী ময়ুম মকৈ কয়া লেম্না শাবীরি। লেম্না লায়েংবীরি। থমজনিংলিবা ৱাফমদি য়ুম কয়া থুগাইদ্রিঙৈ মমাংদা হায়রিবা মীওইশিং অদুগী লৈফম লৈঙাক্না হান্না শেন্বীবদি করি কাইবগে ? মসিদা লৈঙাক ফত্তে হায়জবা নত্তে। মমাঙ–মমাঙদা ইতৌ তৌখিদবা অফবা থবক কয়াসু হৌজিক তৌবা খরা উই। লৈঙাক্কী লুচিংবনা খুদক–খুদক্কী ওইবা অফবা থবক (ক্যুইক রেস্পোন্স) তৌবসু হৌজিক মীয়াম ঐখোয়না উবা ফংই। লৈঙাক্কী অফবা থবকশিংগীসু মীয়াম ঐখোয়না থাগৎফম থোকই। অফবদি ফৈ। ফত্তবদি ফত্তে হায়জবনি। দেমোক্রেসি চৎপা ঐখোয়গী লৈবাক্লি। লৈঙাক্কী পোলিসি অমদি থবক্তা য়ানিংবা য়ানিংদবা অমদি অনিংবা ফোঙদোকচবা হায়বসিদি সিটিজেন অমা ওইনা মাগী–মাগী হকনি। মীয়াম্না খনবা লৈঙাক্লি মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বসু ফোঙদোকফম থোকই। মরমদি কনাসু পর্ফেক্ট নত্তে। ক্রিটিসিজম তৌবা অসিনা দেমোক্রেসি অসি মতিক ময়াই লৈহল্লি। নৎত্রবদি দিক্টেটরশিপকী লৈঙাক্লোনগা করিসু খেৎনবা লৈরক্লোই খল্লি।

লৈঙাক্কী ৱার ওন দ্রগ অমদি আইননা য়াদবা ইভিক্সন দ্রাইভ মীয়াম ঐখোয়না সপোর্ট তৌই। তৌবতদি ঐগী মাগী মরী মতা য়েংদনা মীচং মীখাই নাইদনা তৌবা অমদি মরু ওই। লুচিংবশিংনা মাগী–মাগী কেন্দ্রশিংদসু লৌবুক্তা য়ুম শাজিনবা, তুরেল মপান্দা য়ুম শাজিনবা, চীংয়াদা য়ুম কয়া তাদুনা লৈবা য়াম্না য়াওরি। মীয়াম পূম্নমক্কী থুংফম ওইরিবা ইম্ফাল মনুং অমদি ময়োন্দা লন্বী পাকথোকপগী মথৌ তরি। খুদম ওইনা পাওনা বজার অমদি থঙ্গাল বজার। অতৈ মফমদদি লন্বী পাকথোক্তনি হায়দুনা দুকান কয়া য়ুম কয়া থুগায়রি। রিজার্ভ ফোরেষ্টঅমদি প্রোটেক্টেদ এরিয়া ওইরিবা চীংগী লম অমদি মফম কয়াদা মীতোপ কয়ানা গোদাউন কয়া শাদুনা লল্লোন ইতিক তৌরিবা অসিনা কমদৌবা? মসিদদি লন্বী পাকথোকপা য়াদবরা ? তৌবা তারবদি চপ মান্না তৌবা ফৈ। নৎত্রবদি কাংলূপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনদবা হান্নদগী কা হেন্না হেনগৎলকপা য়াই । ঐখোয়বু অতোনবীগী মচাদি তাহনবীগনু । মরমদি আইনগী মীয়েংদা লায়রবা ইনাক খুনবা অচৌ মচা হায়বা লৈতে। অমগা অমগা চপ মান্নে। অদুগা পোলিটিকেল এঙ্গলদা য়েংদুনা ফূরুপ খরদা অতম্নমা তৌবদি ফত্তে। য়ু পি, অসাম অমদি মণিপুরদা ইভিক্সন দ্রাইভ কয়া চথুরি। ভিক্টিম খরগী মতুংইন্না য়ু পিদদি লৈঙাক্কী মায়োক্তা ৱা খরা ঙাঙলুবগীসু লৈঙাক্কী মায়োক্তা য়ানিংদবা প্রোটেষ্ট তৌরুবগীসু আইননা য়াদবা মফমদা য়ুম শাই হায়দুনা লৈঙাক্না থুগাইবা কয়াগী কেস সুপ্রিম কোর্টতা হিয়ারিং হৌজিক চথুরি। হায়নিংলিবা ৱাফমদি আইননা য়াদবশিং ইভিক্সন তৌ। তৌইগুম্বসুং মতম পীদুনা আইনগী ওইবা দ্যু প্রোসেস অমগী মখাদা তৌবদি ফৈ। লৈঙাক্না আইনবু ইকাইখুম্নফম থোকই অদুগা ঙসি ঐখোয়গী শোঞ্জুনরবা জুদিস্যিরিসু ময়া থৌহন্নিংই । লৈঙাক্না তৌবা থবক খুদিং লোইনা চুমগনি হায়বসু লৈতে । লৌ ইঙ্খোল লৈতবশিংদি মতেং তৌনি হায়না লৈঙাক্না ফোংদোকপীরে। অদুবু মতেং তৌবীদ্রিঙৈ মতম খরা অদুদদি লৈঙাক্না ময়ুম থুগাইবীখ্রবা মীওইশিং অদু করি চারমগনি করি থক্লমগনি নোং চুবা মতমদা মচাশিংগা করম্না লৈরমগনি হায়বসিদি কনানসু য়েংবীদে। লৈঙাক্না দেমোক্রেসিগী মখাদা পীরিবা ফ্রীদম ওফ স্পীচ এন্দ এক্সপ্রেসন অমদি অফ–ফত্তা ফোংদোকপসিনা খরতা ওইরবসু মীয়ামগীসু মীৎ নাকোং ওইগনি খল্লি।

অমরোমদনা ফূরুপ অমগা অমগা মাগী মাগী হায়বা ৱাখল্লোনদা লুপতুনা লৈবা হৌনরক্লি। মশাগী লাইনিং লাইশোলদা হঞ্জিন্নিংবগী অহোংবা কয়া অমদি মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংনা করম্না হৌরকখি হায়বগী পুৱারী নৌহৌননা হন্দুনা থিনরকপগী অহোংবসু হৌজিক–হৌজিকমক খুন্নাই অসিদসু উবা খরা ফংই। হৌজিক–হৌজিক য়াম্না কীনিংঙাই ওইবা অমনা মণিপুরসিদা লৈমীন্নরিবা মীওই খরনা মশা–মশাগী ফুরুপ খক্তগী ওইবা ৱাখল্লোন অমদি এজেন্দা পুথোরকপা অসিনি। মসিনা ফুরুপ মশেল য়েংথিনরকপদা নত্তনা অপুনবগী শক্তমদা অকায়বা কয়া পীরক্কনি। ঐগী ঐগী ফুরুপনা হেন্না লুম্না উবা ৱাখল্লোন অসিদগী লৈবাক ইরাং থোকহল্লী।

পুন্না হিংমীন্নগদবনিদি হায়। অদুগা মণিপুরগী পাক চাওবগী লম ৯০% ওইরিবা চীংগী লমদনা তম্পাক্কী মী লৈবা য়াদে খরসু হায়। অমরোমদনা ১০%গী চাংদা লৈরিবা তম্পাক্কী লমদনা চীংমী তম্মী অমদি ফুরুপ কয়াগী মীনা খুন্দা লৈতদুনা লৈমীন্নরি। অশুম্না তৌবনা লৈফম লৈরক্তবা হায়বসিদি মশানা তাবনি। অমরোমদনা নোংম–নোংমগী মীশিং হেনগৎলকই। মচা মশুশিংনা চাওরক্লবা মতমতদা লৈফম লৈরক্তে। মরম অদুনা মফম খরা হাংবা জগাদা য়ুম শানৈ। মসিতা নতে লৌউবদা শেল য়াম্না চঙবা অদুগা চহী অমদা থোরকপা ফৌনা ইমুং পুবা ঙম্মক্তবনা লৌউদুনা লৈরম্বা কয়াসু হিংননবা মাগী লৌফম অদু পুখ্রি তৌদুনা ঙা য়োক্লে নৎত্রগা লৌফম অদু অতোপ্পা শেন্দান লন্বীগী ওইনা ওন্থোক্তবসু নত্তে। য়াম্না লায়রবা মীওই খরনা লৈফম লৈতবনা অহাংবা চীংদা মান্দা য়ুম মচা অমা শারগা লৈনৈ। ইন্দিয়া অসি লৌউ শিংউবনা মপুং ওইবা লৈবাক্লি। চীং পাৎ তুরেল অমদি লৌফম কন্দবসু য়াদে। মরমদি অইং অশাগী খল কায়থরক্লিবা অসিনা লাক্কদবা তুংগী মীরোলনা অৱাবা কয়া মায়োক্লগনি অমদি লৌফমশিং অশুম–অশুম মাঙশিল্লক্লবদি করি চাগনি হায়বসু য়াম্লমক চুম্মী। অদুম ওইনমক লৌরোক অমুক্তং উখ্রবা মতুংদা লৈরিবা লৌফমশিং অসি চহী চুপ্পা উবা য়ানবা (দাবল ক্রোপিং) ঈশিং ফংহনবগী তঙাইফদবা লৈরি। মীতোপ কয়া চংলকপনা লৈফম লৈরক্তবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরি। তুং কোইবা পোলিসি লৈঙাক্না পুথোক্তুনা চৎনবা মথৌ তাই। খুদম ওইনা পোপুলেসন কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবা অমদি মীতোপ চংলকপা থিংনবা মওং মরীল চুম্না আই এল পী চৎনবগী তঙাই ফদবা লৈ । অরৈবা খরনা পংলৈদা মরৈ। মীওই খরা অমনা ঙসি নোংমগী চনিংঙাই ফাওবা লৈতবা য়াওরি। মীওই খরা অমনা য়ুম মথোন মরী মঙা ৱাংনা শাই। অদুগা মশাগী লৌ ইঙ্খোল অমফাওবা লৈতনা খরা অমনা শংতপ অমদা ৱানা লৈ। মীয়ামদা চপ মান্নবা দ্রিত্রিব্যুসন লৈনবা লৈঙাক্না লৌ ইঙ্খোল অমদি লমশিং অসি মীওই খরদা কা হেন্না লৈবা অসিসু তৌদনবা থবক লৌখৎপা ফগনি খল্লি। ●